# সমাজৱাদি গভর্ণমেন্টনা কোওপরেসন পীদবনা বরানসি প্রোজেক্টশিং মতম পন্থদুনা লৈবনিঃ পি এম নরেন্দ্র মোদি



***বরানসি, মার্চ ৮ঃ***

মমাংদা লৈরম্বা উত্তর প্রদেশকী সমাজৱাদি গভর্ণমেন্ট অদুনা কোওপরেসন পীদবদগী অমসুং দায়ত্ব লৌবদগী মাগী লোক সভা কন্সষ্টিট্যুন্সিদা ব্যুটিফিকেসন প্রোজেক্টশিং হৌবগী মতম থেংথখিবনি হায়না ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কাশি বিশ্বনাথ টেম্পলগী এপ্রোচ রোদ অমসুং মসিগী ব্যুটিফিকেসনগীদমক ফাউন্দেসন স্তোন য়ুংলবা তুংদা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংখি। মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী অহানবা চহী অহুমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোওপরেসন পীরকখিদে। মফম অসিগী দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং অসি নখোয়, উত্তর প্রদেশকী মীয়াম্না যোগি অদিত্যনাথপু চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লবা মতুংদগী থবক চংথরকখিবনি। করিগুম্বা মমাংদা কোওপরেসন পীরম্বা তারবদি হৌজিক ফাউন্দেসন স্তোন য়ুংলিবশিং অসিগী মমাংদা ঐখোয়না প্রোজেক্ট অদু শঙ্গারমলগদবনি হায়না মোদিনা হায়খি।

ঐহাকনা পোলিটিক্স চঙদ্রিঙৈদো মফম অসিদা ঐ কয়ারক হন্না লাকখ্রে অমসুং মফম অসিদা করিগুম্বা খরা তৌরবদি ফগনি হায়না ইতৎ-তৎতনা খনখি। হৌজিক্তী লোর্দ শিবগী থৌজাল ফঙলবনা থবক অদু হৌবা ঙম্লে হায়খি।

মফম অসিদা দিস্কোভর তৌখিবা লাইশঙ ৪০গী ইতিহাস অদু ঐখোয়না খুঙ্গুল লিনবা হোৎনগনি অমসুং লাইশঙ অসি গভর্ণমেন্টনা চেকশিন্না য়েংশিনগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

অমরোমদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্টরনেসনেল ৱুমেন্স দে গী পাউজেল পীখ্রে। মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা নুপীশিংদা পীবা শক্তি হেনগৎহনবগী ৱারেপ কয়ামুক লৌখিবা অদুগীদমক ঐহাক চাউথোকচে। ঐহাক্না নারি শক্তি দা সেলুট তৌজরি হায়খি।

ইন্টরনেসনেল ৱুমেন্স দে অসিদা কনামত্তনা মায়থিবা ঙম্লরোইদবা নারি শক্তিদা ঐখোয়না সেলুট তৌরি। তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা নুপীশিংনা তৌবা ঙমখিবা য়াম্লবা থবকশিং অদুগীদমক ঐখোয় ইন্দিয়ান খুদিংমক্না চাওথোকচে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি। চহি অসিগী ইন্টরনেসনেল ৱুমেন্স দে গী থিমদি থিঙ্ক ইক্কুয়েল, বিল্ড স্মার্ট, ইন্নোবেট ফোর চেঞ্জ অসিনি।

# পাকিস্তানগী লৈমায়দা টেরর গ্রুপ অমত্তা থবক তৌবা য়াহল্লোই হায়না ইমরান খাননা ফোঙদোকখ্রে



***ইস্লামাবাদ, মার্চ ৮ঃ***

পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা টেরর ওর্গনাইজেসনশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রবগী নুমিৎ খরনিগী মতুংদা ঙসি পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা পাকিস্তানগী লৈমায়দা টেরর গ্রুপ অমত্তা থবক তৌবা য়াহল্লোই। মপান লৈবাক্তা এটেকশিং তৌবা য়াহল্লোই হায়না ফোঙদোখ্রে।

খা থংবা পাকিস্তানদা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱাঙাংদুনা প্রাইম মিনিষ্টর খাননা হায়খি, মপান্দা চথবা টেরোরিজমগী মখল অমত্তগীদমক পাকিস্তানগী লম শিজিন্নবদু গভর্ণমেন্ট অসিনা য়াহল্লোই। হৌজিক ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক অসিনা টেরর গ্রুপ অমত্তা থবক তৌবা য়াহল্লোই হায়না মহাক্না হায়খি।

ইন্দিয়াগী জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামাদা সি আর পি এফ লান্মী ৪০ হাৎখিবা টেরর এটেক অদুগী ৱাথোকতগী মালেন্না শাফু কন্না পীবা হেনগৎলকখিবা মরক্তা পাকিস্তাননা চয়োল অসিদা টেরর গ্রুপশিংগী মথক্তা অকনবা থবক চথবা হৌখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাকিস্তাননা টেরোরিষ্টশিংগী ময়োক্তা অনৌবা ক্রেকদাউন অমা চথনবা লাওথোকখি। মদুগী নুমিৎ খরনিগী তুং ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা আইননা অথিঙবা থমখ্রবা টেরর গ্রুপশিংনা চল্লাইবা লাইনিং-লাইশেনগীনি হায়বা স্কুল ১৮২ গভর্ণমেন্টনা পাইশিনখি অমসুং মীওই ১২০ হেন্না ফাখি।

পাকিস্তানদা লৈবা টেরোরিষ্টশিং ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা এটেক অমা তৌরকখিবা অমসুং মদুনা লৈবাক অনী অসিনা লান তৌনবগী ফিভমদা লৈরকখ্রবগী মতুং ২০০২গী অঙনবদা পাকিস্তানগী লৈমায়দগী টেরর এটেকশিং চথবা থিংনবা হন্দক্কী অসিগুম্বা মান্নবা ৱাশকশিং মমাঙদসু পাকিস্তানগী গভর্ণমেন্টশিংনা ৱাশকখি।

মতম অদুগী মমাঙগী গভর্ণমেন্টশিংনা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা ওপরেসনশিং অদু য়াম্না লাও খোংবগা লোয়ননা হৌখি অদুবু মতম খরগী তুংদা তোকখি অমসুং টেরোরিষ্ট গ্রুপশিং অদুনা মখা তানা হীংদুনা লৈখি অমসুং মখোয়গী থবক-থৌওংশিং মখা চথখি।

অসিগুম্বা মখোয়গী হান্নগী ৱারী অসি খল্লুরগদি পাকিস্তাননা হৌজিক খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং ওইনা টেরোরিষ্টশিং মুখৎনবা হোৎনরিবা অসি ইন্দিয়ানা থাজবা ঙমদ্রি। মখোয়গী থবক অদু চুম্নগী মপানথোঙদা মচু শঙবনি হায়না ইন্দিয়ান ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

# জম্মু এটেকতা ক্লাস নাইন মহৈরোইনা লঞ্চবোক্সতা হেন্দ গ্রেনেদ হাপ্লগা লোন্না পুরকখিঃ লিখুনশিং



***শ্রীনগর, মার্চ ৮ঃ***

ঙরাং জম্মু এন্দ কাস্মিরগী জম্মুদা বস স্তেন্দ অমদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লকপগী মরাল শিরিবা ক্লাস নাইনগী মহৈরোই অদুনা মাগী লঞ্চবোক্সতা খুৎলাই অদু পুরকখি অমসুং মদু লঞ্চবোক্সতা য়াওরিবা চাক অদুগী মখাদা লোৎশিল্লমী হায়না পুলিসকী লিখুনশিংনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি। এটেক অদুদা মীওই অনি শিখি অমসুং ৩২ শোকখি। সিটি অদুদা এটেক অমা তৌরকপা য়াই হায়বগী মরমদা জম্মুগী পুলিসনা ইন্টিলিজেন্সকী ঈ-পাউশিং ফঙখি।

মদুনা মরম ওইদুনা এটেক অদুগী মতুং পুং ১গী মনুংদা মশাগী চহি ১৫শুরবা চেন্নবা মীওই অদু খুঙ্গুল লিবা ঙমখিবনি হায়না পাউগী লিখুনশিং অদুনা হায়খি।

সাউথ কাস্মিরগী কুলগামদগী অঙাং অদু এটেক অদু পাঙথোক্লবা মতুংদা ময়ুমদা হান্নবা হোৎনরিঙৈদো জম্মুদগী কিলোমিটর ২০রোম লাপ্পা নাগ্রোতাগী পুলিস চেকপোইন্ট অমদা ফাখি।

ঙরাংগী এটেক অদুদা শিখিবা মীওই অনি অদু উত্তরখন্দ অমসুং অন্তনাগতগীনি। এটেক অদুদা অরুবা ফিভমদা শোকখিবা অহুমশুবা মীওই অদুসু ঙসি অয়ুক হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে।

মহৈরোই অদুবু ৱাহং -পাউহং চথখিবা সেনিয়র পুসিল ওফিসর অমনা ফোঙদোকপদা মহাক্না গ্রেদনেদ অদুগী লঞ্চবোক্সতা চাক মখাদা লোৎশিল্লগা পুরকখিবনি হায়খি। লমদম অসি মমাংদা মহাক্না কৈদৌঙৈদা লাকখিদ্রবা মরমনা মহাকপু জম্মুদা কনানা পুরকখিবনো হায়বা ঐখোয়না কুপ্না থিজিল্লি হায়না পুলিস ওফিসর অদুনা হায়খি।

মহৈরোই নহা অদুনা প্রাইভেট কার অমদা জম্মুদা লাকখিবনি। কার অদুগী দ্রাইভর অদু খুঙ্গুল লিনবা হোৎনরি হায়না পুলিসনা হায়খি। নহা অদুনা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা কুলগামদগী লাক্লগা মথংগী নুমিৎতা জম্মুদা থুংলকখিবনি। শাংলবা কিলোমিটর ২০০ রোম অসি মহাকপু খুৎলাই পুদুনা চৎলি হায়বসি কনা অমত্তনা খঙবা ঙমদনা করন্না চৎলম্লিবনো হায়বগী ৱাহং কয়া লৈরি। শ্রীনগর - জম্মু নেসনেল হায়ৱে অসি শুপ্নগী জম্মুদগী শ্রীনগররোমদা চৎনবা ৱান ৱে ত্রাফিক্কীদমক য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হাংদোকখিবনি। শ্রীনগররোমদগী জম্মুদা চৎপা য়াদে। মসিগী মথক্তা হায়ৱে অসি য়াম্না ত্রাফিক কুংবা লম্বীনি হায়রি।

# হাফিজ সায়ীদ উন্ননবা য়ু এন টিমনা ভিশা পীয়ু হায়জরকখিবা অদু পাকিস্তাননা য়াখিদ্রে



***ন্যু য়োর্ক, মার্চ ৮ঃ***

য়ুনাইটেদ নেসন্স লিখুলশিংগী মতুং ইন্না, মুম্বাই এটেক মাষ্টরমাইন্দ অমসুং জমাত-উদ-দাৱা (জে য়ু দি)চীফ হাফিজ সায়ীদনা য়ু এন এস সি সেঙ্কসন্স লিষ্টতগী মহাক্কী মমিং লৌথোক্লবা থারকখিবা মহাক্কী চেরোল অদুগী মতাংদা মহাক্না উন্নবা পাম্লিবা য়ু এন টিম অমনা ভিশা পীয়ু হায়জরকখিবা অদু পাকিস্তাননা য়াখিদ্রে।

লাস্ক-ই-তাইবা টেরোরিষ্টশিংনা মীওই ১৬৬ হাৎখিবা মুম্বাই টেরর এটেক অদুগী মতুং দিসেম্বর ২০০৮তা হাফিজ সয়ীদপু য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিল রেজোলূসন ১২৬৭গী মখাদা হাপখিবনি।

মহাকপু পাকিস্তানদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্বদগী নবেম্বর ২০১৭দা থাদোকখি।

য়ু এনদা পার্মিনেন্ট মিসন ওফ পাকিস্তানগী মীহুৎ অমনা হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা য়ু এন ওম্বদসপার্সনদা পাকিস্তানদা মখোয়না চৎনবগী ভিশা পীরোই হায়না পাউ খঙহল্লকখি। য়ু এন সেঙ্কসন্স কমিটি লিষ্টিংদগী য়ু এন দেজিগনেটেদ ইন্দিভিজুয়েলশিং অমসুং এন্টাইটিশিংবু লৌথোক্লবগী হায়জরকপা ৱাকৎশিং য়ু এন এম্বদসপার্সননা রিভ্যু তৌই।

হাফিজ সায়ীদনা পাকিস্তানদা হাউস এরেষ্টতা লৈরিঙৈগী মতম ২০১৭দা য়ু এন গী অথিঙবদগী হৌথোক্লবা লাহোরদা লৈবা মিরজা এন্দ মিরজা কৌবা লো ফার্ম অমগী খুত্থাংদা য়ু এনদা অপীল অমা থাংগৎলকখিবনি।

অসিগুম্বা হায়জরকপশিং পূন্নমক য়েঙশিন্নবগীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হাপ্পা ইন্দিপেন্দেন্ট ওম্বদসপার্সন দেনিয়েল কিপফে ফাসিয়াটিনা হাফিজ সায়ীদকী উকিলদা মহাক মখা তানা লিষ্ট অদুদা য়াওবা মীওই অমা ওইনা লৈখিগনি হায়না মহাক্কী হায়জবা অদু য়েংশিল্লবা তুংদা মহাক্কী ৱারেপ অদু লৌরে হায়না খঙহল্লকখি।

সায়ীদনা সেঙ্কসন্স লিষ্টতগী লৌথোক্লবা হায়জরকখিবা অদু ইন্দিয়ানা অমসুং মহাকপু হান্নবা লিষ্ট অসিদা য়াওহনখিবা য়ু এস, য়ু কে অমসুং ফ্রান্সনা য়েৎখি।

# নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী এক্সপাইরি দেট হেন্দোক্লেঃ মমতা বেনর্জি



***কোলকাতা, মার্চ ৮ঃ***

ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ঙসি নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টপু লৈবাকসিগী রিজার্বস হুরানবগী মরাল শিখ্রে অমসুং রাফেল দিলগা মরি লৈনবা ফাইলশিং ঙাকথোকপা ঙমদবা অসিনা লৈবাক্কী সেক্যুরিটি করন্না পীবা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ঙকই হায়খ্রে।

হৌজিক লৈরিবা রেজিম অসিগী মতমদা কাস্মিরদা টেররগী থৌদোকশিং থোকপা চাদা ২৬০ হেনগৎলকখ্রে হায়বা ৱাফম থম্লদুনা চীফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা বি জে পি না লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টকী এক্সপাইরি দেট হেন্দোক্লবা মরমনা কাস্মির ভেলিদা গভর্ণমেন্ট অসিনা শান্তি হঞ্জিলহনবা ঙমদবনি হায়খ্রে।

লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগী মতুংদা সেন্টরদা শেন্নক্কদৌরিবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অদুনা জমমু এন্দ কাস্মিরদা শান্তি অমসুং তংদু-লৈতাবা পুরক্কনি হায়না বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

মমতা বেনর্জিনা ঙসি কোলকাতাদা ইন্টরনেসনেল ৱুমেন্স দেগী থৌরম ওইনা মীফম অমদা ৱা ঙাংখি অমসুং লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক মাগী পার্টিগী কেম্পেন হৌদোকখি। নখোয় (নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্ট) না লৈবাক অসিগী রিজার্ভস অমসুং শেল পুন্নমক হুরানখ্রে অমসুং মদু নখোয়গী পার্টিগী ফন ওইনা শিজিন্নরি। অদুগা রাফেল জেট দিল ফাইলশিং চেকশিন্না ঙাক্তুনা থম্বা ঙমদবা গভর্ণমেন্ট অসিনা করন্না লৈবাক্কী সেক্যুরিতি ঙাকপা ঙমগদৌরিবনো হায়না মহাক্না হংখি। পার্লিয়ামেন্টতা নুপী সিট রিজার্বস থম্নবগী বিল পাস তৌবা ঙমদনা লৈরিঙৈ অসিফাওবদা মহাক্কী ট্রিনামুল কংগ্রেসনা ১৬শুবা লোক সভাদা চাদা ৩৫গী নুপী লেজিসলেটরশিং থাগৎপগীদমক মমতা বেনর্জিনা চাওথোকচবা ফোঙদোকখি।

# আই এ এফকী মিগ ফাইটর বিকানেরদা ক্রাস তৌখ্রে, পাইলোট চোংথোকহৌরে



***জয়পুর, মার্চ ৮ঃ***

রাজস্থানগী বিকানের ঙসি ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী মিগ বিসোন ফাইটর জেট অমা পাইখৎখিবগী মতুং থুনমক ক্রাস তৌখ্রে অদুবু ফাইটর জেট অদুগী পাইলোট অদু মায়পাক্না ইজেক তৌহৌরে।

ক্রাসকী থৌদোক অদুদা কোর্ট ওফ ইনক্বারি অমা চথনবা য়াথং পীরকখ্রে। হৌজিক ক্রাস তৌখিবা মফম অদু মী চংহন্দনা থমখ্রে।

লিখুনশিংগী মতুং ইন্না রুটিন মিসন অমদা মিগ-২১ অদু নালদগী পায়খৎখিবনি। ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা রুটিন মিসন অদুদা জেট অদুগী ইঞ্জিন বেরা তৌরকপদগী ক্রাসকী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অদুবু অহানবা ফঙবা পাউগী মতুং ইন্নদি উচেক অমদা থেঙজিনবা মরমদগী ফাইটর জেট অদু বেরা তৌখিবনি হায় হায়না দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি। থৌদোক অদুদা মী শোকপা-পনবা থোকপগী পাউ লৈতে।

য়ুমথংনবা পাকিস্তানগী বালাকোটতা জৈইশ-ই-মোহম্মেদ টেররগী কেম্প অমদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা পাইশিন্দুনা নোংথক্তগী এটেক চথখিবা অদুগী নোংঙানবা ফেব্রুৱারি ২৭তা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স অমসুং পাকিস্তান এয়ার ফোর্সকা অনীগী মরক্তা নোংথক্তা লানথেঙনখিবা অদুগী মনূংদা মিগ ফাইটর জেট অমা কায়খিবগী অচৌবা পাউ ওইখিবনি।

ইন্দিয়াগা চিনাগা লান তৌনখিবা অদুগী মতূং থুনমক ১৯৬০গী চহীশিংদা মতমদুগী সোভিয়েত য়ুনিয়নদগী সুপরসোনিক ফাইটর অসি ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা হাপচিনখিবনি। অদুবু চহী মতম লিরবা মিগ ফাইটর জেটশিং অদু ২০০৬তা মিগ-২১ বিসোন ওইনা অপগ্রেদ তৌখিবনি।

এক্সপার্টশিংগী মতূং ইন্নদি মিগ - ২১ অসি মিরাজ ২০০০ অমসুং এল সি এ টেজাসকা মান্নবা দেলতা ৱিং অমা লৈবা অমসুং নোংথক্তা লানথেঙনবদা মখল মখা কয়াগী লাল্লোং তৌবা ঙম্বা মরমদগী পাকিস্তানগী এফ -১৬ এটেক ময়োক্লবদা মিগ-২১ অসি শিজিন্নখিবনি।

অদুম ওইনমক করিগুম্বা মখা তানা লান মথঙ মথঙ তৌনরকপা তারবদি পাকিস্তানগী এফ -১৬শিং ময়োক্লনবা এয়ার ফোর্সনা য়াম্না হেন্না সুপরিয়র ওইবা রাফেল জেটশিং মথৌ তাই হায়না গভর্ণমেন্টনা হায়রি।

এফ-১৬গী ময়োক্তা ১৯৬০গী চহীশিংগী মিগ -২১ না ফজনা থবক তৌবা ঙম্লবফাওদসু রাফেল ফাইটর জেটশিং মথৌ তাই হায়না হন্দক্তা সুপ্রিম কোর্টতা এট্টোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা ৱায়েৎ থমখিবনি।

# ৱুমেন’স ডেদা পাকিস্তানগী অহানবা হিন্দু নুপী লোমেকর কুমার কোহলিনা পার্লিয়ামেন্টতা ৱাঙাংখ্রে

***ইস্লামাবাদ, মার্চ ৮ঃ***

পাকিস্তানদা হিন্দু দলিত কাংবুদগী লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী সিনেটর কৃষ্ণ কুমারি কোহলিনা ইন্টরনেসনেল ৱুমেন’স ডেগী থৌরমদা ঙসি পাকিস্তান পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসকী মীফমগী চিয়ারপার্সন ওইখ্রে।

ৱুমেন’স ডেদা ঙসিগীদমক এখোয়গী কলিগ কৃষ্ণ কুমারি কোহলিবু সেনেট অসিগী ময়াই তাংবন লৌনবা চিয়ারমেন সিনেট ওফ পাকিস্তাননা ৱারেপ লৌরে হায়না সিনেটর ফাইজাল জাবেদনা হায়খি।

মুস্লিমনা মেজোরিটি ওইবা পাকিস্তানদা বোন্দেদ লেবররশিংগী হককীদমক চহী কয়া থবক তৌদুনা লৈরকখ্রবা তুংদা কিসু বাই হায়নসু ময়াম্না খঙনরিবী কৃষ্ণ কুমারি কোহলি মার্চ ২০১৮দা সিনেটর ওইনা মীখলদা খল্লকখিবনি। পাকিস্টন সিনেটর মীখলদা মীহুৎ অমা ওইনা হিন্দু নুপী অমা ওইনা খল্লকখিবদা মহাক্না অহানবা নুপীনি।

মহাক হিন্দু মশীং য়াম্না লৈবা সিন্ধ প্রোভিন্সকী নগর পারকর এরিয়াগী ধানাগাম কৌবা মনূং হুঞ্জন্না লৈবা খূঙ্গং অমগী কোহলি কম্যুনিটিগী মীওই অমনি।

ঙসিগী সিনেটকী মীফম অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ঙসি ঈকাইখুম্নরবা সিট অসিদা ফমগদৌরিবা অসি ঐগী য়াম্না লাইবক ফবা নুমিৎনি হায়না খনজৈ হায়খি।



ইন্টনেসনেল ৱুমেন’স ডে অসি মালেমগী মফম পূন্নমক্তা ঙসি মার্চ ৮দা পাংথোকই।

১৯৭৯ ফেব্রুৱারিদা লাইররবা লৌমী জুগুনু কোহলিগী মচানুপী ওইনা পোকখিবী কৃষ্ণ কুমারি কোহলি অমসুং মহাক্কী ইমূং-মনূংগী মীওইশিংনা উমেরকোট দিষ্ট্রিক্টকী কুনরিগী জমিন্দারগী প্রাইভেট জেল অমদা চহী ৩লোম অৱাবা খাংদুনা লৈরকখি।

প্রইভেট জেল অদুদা মহাকপু ফাদুনা থমলিঙৈ মতম অদুদা মহাক ক্লাস থ্রিগী মহৈরোই অমনি। ক্লাস নাইন তম্লকপা মতম মশাগী চহী ১৬ শুরকপা মতমদা মহাক লাল চানদা লুহোংখি।

মখা তানা মহৈ তমথদুনা ২০১৩দা মহাক্না সিন্ধ য়ুনিভর্সিটিদগী সোসিওলোজিদা মাষ্টর দিগ্রি লোইশিনখি। কোন্না য়ুনিয়ন কাউন্সিল বেরানোগী চিয়ারমেন ওইনা মীখলদা খল্লকখিবা মাগী মবুংগা লোয়ননা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা মহাক্না পাকিস্তান পিপলস পার্টি (পি পি)দা য়াওরকখি।

কৃষ্ণ কুমারি কোহলিনা পাকিস্তানগী সিনেটতা মীখলদা মীহুৎ অমা ওইনা খল্লকখিবা অসি পাকিস্তানদা নুপীশিং অমসুং মাইনোরিটি রাইটসকীদমক অচৌবা শিংথানিঙাই ওইবা থৌদোক অমনি হায়না লৌবা য়াই।

# জে পন্দাবু বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং ৱাঙাংলোই হাপখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ৮ঃ***

হৌখিবা চয়োলদা বি জে পিদা য়াওরকখিবা বৈজয়ন্ত জে পন্দা কৌবা ওরিষ্যা লূচিংবা অসিবু ঙসি পার্টি অসিগী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং ৱাঙাংলোই হাপখ্রে।

বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিট শাহগী ৱারেপ অসি লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা ষ্টেট অসিদা মহাক্না বি জে পিগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না থাজবদগীনি। ষ্টেট অসিদা লৈবা মেদিয়া গ্রুপ অমগী মপু ওইরিবা মিষ্টর পন্দানা হৌখিবা চহীদা বিজু জনতা দলদগী তোকখি অমসুং ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর নবীন পাতনায়কনা লূচীংবা রিজনেল পার্টি অসিদগী মাবু সস্পেন তৌরকখিবা মতূংদা মহাক্না লোক সভা মেম্বর ওইবদগীসু রিজাইন তৌখিবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-61**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 4 | 1 | | | 2 | 8 |
| 8 | | | | 2 | | 6 | | 7 |
| 2 | 4 | | 8 | 3 | | | | |
| 7 | 1 | | | | 3 | 4 | | |
| 5 | 8 | | | | 4 | 2 | | |
| | 6 | 3 | | | 2 | 8 | | |
| | | 7 | 2 | | 8 | | | 4 |
| | | 4 | 7 | 6 | | | 8 | |
| | | 8 | | | 5 | | 6 | |

## GAS TODAY

**LamboFara Indane**
Booking : 05/03/19
Valid : 28/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 09/01/19
Valid : 05/01/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 02/01/19
Sl. No. : 0870
Valid : 02/01/19
Sl. No. : 0441
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 15/01/19
Valid : 11/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m..

**Misao Gas Service**
Booking : 01/02/19
Valid : 10/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 06/02/19
Valid : 03/02/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khurkhul Indane**
Booking : 20/01/19
Valid : 17/12/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 noon

**R & H Gas Service**
Booking : 05/02/19
Valid : 20/01/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : 22/02/19
Valid : 11/01/19
Sl No. : 400
Stk : 612, 19kg-76
Time : From 08.00 a.m.

**R B D Indane Service**
Booking : 14/01/19
Valid : 04/01/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**T D K Gas, Sekmai**
Booking : 07/01/19
Valid : 11/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**J Rongmei Indane**
Sl. No. : 32001 to 32300
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Heingang Indane**
Booking : 20/01/19
Valid : 29/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**সনা-সুদোকু -৬০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 2 | 7 | 4 | 5 | 8 | 1 | 3 | 9 |
| 5 | 8 | 4 | 1 | 3 | 9 | 6 | 2 | 7 |
| 3 | 9 | 1 | 7 | 2 | 6 | 5 | 4 | 8 |
| 2 | 4 | 8 | 6 | 9 | 7 | 3 | 5 | 1 |
| 7 | 5 | 3 | 2 | 8 | 1 | 9 | 6 | 4 |
| 1 | 6 | 9 | 5 | 4 | 3 | 7 | 8 | 2 |
| 8 | 3 | 5 | 9 | 7 | 2 | 4 | 1 | 6 |
| 4 | 7 | 6 | 8 | 1 | 5 | 2 | 9 | 3 |
| 9 | 1 | 2 | 3 | 6 | 4 | 8 | 7 | 5 |